# মথংলেন মাঞ্জ পাম্মুবগীদমক মশানৌ মনেম মচাশিংনা করি করম্বা চৈনা খাঙখিবা

**-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

শাবী-শানৌ নুংশি-নুংওনগী মরীসে অরায়বা নত্তেকো! মসিনা পুন্সিবু মহাউ লৈনা হিংহনবদা অচৌবা ঈনোৎ ঈথিল পীবা ঙম্মী। মসিদি মীওইবখক্কী নত্তে, লাই হাক্তক্তগী লৈরক্লবীনি। মসিননি অশৈবা অশৈবী কয়ানা নুংশি শৈরোল মশীং লাকঙমদনা নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী ঙসি ফাওবা লেপ্লাইদনা শৈথানরক্লিবসি। নুংশি নুংওন্না মপূং ওইবা ৱারী লাইরিক কয়ানা অপাবশিংগী থম্মোয়বুসু হুমদুনা পুবা ঙল্লি। গ্রীক মিথোলোজিগী ৱারী অমদা নুংশিবগী লাইরেম্বী এফ্রোদাইটনা শকহেনবা পাখঙ শাদানবা এদোনিবু নুংশিবদা লুপখিবনা মশানা মশাবুসু কাউথোকখি। লমওক অমগী খয়াত্তা মথ্বায় মাঙখ্রবা মশাগী মাঞ্জ পাম্মুবগী কায়না মৈচাক পুদুনা লেনখি। অতোপ্পা ৱারী অমগী মতুংইন্না অহিংদা নহা ওইরিবা ল্যান্দরনা হেলেসপোন্ট ঈশিং ঈচেল লান্দুনা মশানৌ হেরোবু উনবা চৎলম্মী। অদুবু ল্যান্দরনা ঈশিং ঈচেল অদু লানবদা মৈঙান পীরম্বা হেরোনা লৈরিবা তৱারগী থাওমৈ অদু অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ লাক্তুনা মূথৎপীখ্রে। অমম্বা অদুদা ল্যান্দরদি হেলেসপোন্ট ঈচেলদা ইরাক্লদুনা মথ্বায় থাখ্রে। মতম অদুদা মথংলেন কায়না মৈনা চাক্লবী হেরোদু হিংবগী মহাউ ফংলরোই খন্না মপোক লাংওন অমদা অমুক হন্না পোকমিন্নরগে হায়বা ৱাখলদা ঈশিং ঈচেল অদুদা চোংথদুনা মশাবী মাঞ্জগী মতুং ইনখি। স্পার্টাগী মহারানী হেলেননা ট্রোইগী পারিসপু নুংশিরুবগী মহয় ওইনা লাঞ্জাও থোকখি, ট্রোই তুমখি। সতী সীতানা মপুরোইবা শ্রীরামবু নুংশিজবগী চাংদি মঙোন্দা চিংন-পরৈ থমখিদনবা অৱা চৈনা কয়া খাঙজখি। খান্বী মৈথক্তা ফম্মু ফমখি, নাউপুরবী মহাক্লা অশূকপা উমংদা লেনখি, কাইনথংদা মালেম লৈশাদা তিনখি। পাণ্ডব মচিল মনাও মঙাগী তালোয় দ্রৌপদিনা নংখিবা অৱাবা ইকায়বা কয়ানি।

অসিগুম্বা ৱারী কয়া ঐখোয় ইরমদমগীসু মরাং কায়না লৈ। অখাঙ কনবদা কথোকপদা থৌনা লিংজেল ৱাখল লৌশিংদা অৱাৎপা লৈতবী কয়াগী ৱারী মশীং লাকঙমদনা থন্বীরম্মী। লাইচৎলোন্দা হায়রবসু মঙাং নিংথৌ মজাইবেম্মা পান্থোইবীনা মশাবী নোংপোক নিংথৌ মশুংলাংগীদমক মকুনিংথৌ খাবা শোকচ্রোংবা মনেম মনু তেকঙাগী চিংনা মীৎয়েং মৱাহৈশিং, মপুরোইবা তরম খোইনুচানা ইন্থোকপীবা, মনেম্মা মখূৎ খূবাক্তা মৈতান অরাবা হাপখিবনচিংবা পূম্নমক্তু মায়োক্লখি। মতিক ময়াই লৈরবা লাই তাউরোইনাই অমসুং লাই নামুংবীগী মচানি, অদুবু মথংলেন মাঞ্জ নোংপোক নিংথৌ মকাদা ৱাইথুংনজগে হায়বা অরেপ্পা ফিরেপ্পা চীংনুং মানুংদা কোয়চেন চেন্দুনা খাবা কাঙবুনা থিবা ফংদনবা মীরোৎ ওইনা মতম খরা লেনখি। খূৎকন পাঙ্গনবা খাবা কাঙবুনি। কংলাদা মতিক মঙান লৈনা পাল্লম্বনি। অদুবু পান্থোইবী মানা মিতাখিদে, নুংশিবনা পূম্নমক্তগী অথোইবনি খনখি। নোংপোক নিংথৌনা তাঞ্জুল শারম পাখঙ অমসুং পান্থোইবীনা তাঞ্জুল নুরাবী ওইনা শক লোৎতুনা চীংলৌ য়ানমিন্নখিবগী ৱারী লৈ। পূম্নমক অদু নোংপোক নিংথৌ মশুংলাংগীনি।

মসিনসু লোইদে, লোইমোম ফৌগী লাইরেম্মা ফৌওইবীগী নুংওল্লবা ৱারীসু শীংথাবা য়াই। নোংমা ইখঙ খঙহৌদনা তোর্ব্বুংদা শাদানবা লাকখিবা অকোংজাম্বগা লন্বীদা থেংনরম্মী। উনবা মীকুপ্তা শাবী শানৌ অনীমক্কী থম্মোয় থম্মোয় শিন্নখি। অকোংজাম্বা তালোয় তুংইন তল্লবনি। অদুবু ফৌওইবীনা কনানো করিনো খঙনবা হোৎনখিদে। অকোংজাম্বনা অমুক্তং পায়খিবা খুদাংদু মশাগী ওইদ্রে হায়না খঞ্জখি। অকোংজাম্বনা শা তানবা চৎপদগী হল্লক্ত্রিবফাওবা ফৌওইবীনা মাবু ময়ূমদা চত্তুনা ঙাইরম্নবা পুকমেন পাউমেন্নরম্লগা অকোংজাম্বদি তোর্ব্বুং মায়কৈ পাংখি। হায়নখিবা মতুংইন্না ফৌওইবীনা ইকায় ইকি ৱাংমা লান্না অকোংজাম্বগী য়ূমদা থুংলম্মী। অদুবু ইকায় ফিরুক খুমখি, অকোংজাম্বগী তালোয় থোইদিংজম চনুনা ৱাহৈ খোনফম অথীবা থাদুনা তান্থোকপীরকখি। অদুবু অমকপা য়াওদ্রবা মহাক্কী নুংশিববু খঙবীবগা লোয়ননা মথংলেন মাবুদি নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়না লৈহৌরসনু হায়বা ৱাখলদা শুমাংদা থারিবা ফক্লোং থন্না ফৌ পৈদুনা থন্বীরম্মী।

নুংশি-নুংওনগী ৱারীনরকপদা কেগে মোইরাং নিংথৌ মনাওইবুংঙো চীংখুবগী মমোম থাদোই থোইবীনা লায়র লমজা খম্ববু নুংশিবগী অমাঙ-অতোং থিদবা খূৎনুংশিদো মীরোল খুদিংমক্তা শোন্নরিবনি। খম্বনা মাবু নুংশিবা নুংশিদবা থৌশারুদে পন্থৌগী মাঙ্গোল খেঞ্জোংলাংদুদা খম্বা মশামকসু, অতোপ্পা কনাসু খঙহন তাহন্দনা খম্বা মাগী মফমদা নুংশি লানফা ওইনা চঙজখি। মথংলেনগীদমক পন্থৌগী চৈরাক হরাউ হরাউ য়াজখিবনি। কেগেদা মনীং মোইরাংদা মখা, থিংবীনবা য়াওদনা হাইনা হুম্না লেঞ্জরম্বনি। অদুবু খম্বা মশুংলাংগী লোই থারক্তুনা তুমুরাকপগী য়ূমদা লৈরিঙৈ চীংদা কাদুনা শীং চনবা, পাৎতা কুমদুনা লোং খোনবা করিসু নাচুংখিদে। অহিং তাংলৌ অথেঙবদা মখূৎতা থাঙ-ছুরি পায়দুনা মোইরাং খোরী কৈথেলদা শামু খোঙয়েৎলিবা মশাবী মাঞ্জবু কনগে চেল্লকপদা মী ফত্তবা, লাই ফত্তবা শারোয়-ঙারোয় থেংনগনি হায়বগী অকি-তুজুং পোকখিদবী থোইবীনি। নুংশি ৱাইথুংলবা মতুংদা নুংশি চাংয়েংলুবা খম্বা সতী ওইবী মাগী খূত্তা য়াইবী মাঙখি। মশাবীগী মতুং ইন্দুনা মপোক লাংওন থুপচিনখিবী থাদোইগী কংবা নাইদবা নুংশি ঈফুৎনি।

লুৱাং চনু তরুক্লা মশাবী মাঞ্জ হাওকু পাখঙ তরুক্কা অপাম নুংশি মালহৌনরুবনা মমা-মপা, মবুং-মৌপ্বা মনে-মতোনশিংগী মীফূ মীচৈ নংদুনা নোঙ্গাখ্রবা খোংজোম্নুবী ওইখিবগী নুংওল্লবা ৱারী লৈ। নোংথৌ সোরারেনগী ইনফদবা য়াথং মতুংইন্না কোরৌ নোঙ্গাখ্রবা মপুরোইবা চোথে থাংৱাই পাখঙবগী মতুং ইনবদা লৈমা শুনুলেম্বীনা পাক্লবা ঈশিং ঈপাক ঈরেন, তমথীরবা মহূ চেল্লবা লিন ময়াম, ব্রঙ ব্রঙ চাকপা খান্বী মৈ, তমথীরবা কৈরেন কৈজাওনচিংবা নাচুংদনা নোংথৌ সোরারেনগী মনাক য়ৌদুনা মপুরোইববু পুরকপা ঙমখি। কয়াদা মতিক ময়াই কনখ্রবা নুংশিবনো! শেল্লোই লাংমাই চনু পেতংঙানা মথংলেন নাউথিংখোংবু কন্নবা হোৎনবদা মৈশা লাংখিবনি। চহী কুমজা কয়া মীনোক মৈশা মরক্তা কায়না মৈরি মৈৱায়না মথংলেনবু ঙাইদুনা লেনখিবনি। মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা কংলৈ নিংথৌ ওইরবা মতুংদা শরী ৱাশক কাউবীরম্বনা মতম কুইনা শাগৎচরুবা মঙলান কায়রবদা লাংমাই চনু পেতংঙাদি মরোমদোম য়াইবী থৱায় থাখি। লৌনম চাউবা হৈরেম কাংবীশুগী খূৎশু তিমেন তাজিন্দা থৱায় মাঙখ্রবা খুমন অথৌবা চাখা মোইরেম্বগী লমন খুম্নবগীদমক তালোয় লৈমা নামুন খান্বীনা নীংহন্নবা লৈতনা হোৎনখি। মদুগী মপান্না মনাও নুপা শিখোং নিংথৌবনা হৈরেম খুঞ্জান নৈখায়দুনা হৈরেম অথৌবা কাংবীশুগী লুরেন কক্তুনা পুরকখিবগা লোয়ননা ময়াম্বগী মংশক তান্দুনা লৈমা নামুন খান্বীনা নীংজবা থুংখি। সতী খোংনাংগী ৱারীদা মপুরোইবা নীংবী কন্যানা মপুরোইবা পদমগী থৱায় কন্নবগীদমক অহিং নোংয়াই চবুক্তা হিয়াংথাং চীংথক্তা হৌবা শিদ হীদাক ওইরিবা নোংনাং কোরী মনা হেকপা চৎলম্মী। মপুরোইবগী থৱায় কনবা ঙমহৌদ্রবদা মপুরোইবগী পোৎলোইবগী মৈনুংদা মশা মথন্তা চোংশিন্দুনা মপুরোইবগী মতুং ইনখি। মতৌ অসুম্না ঐখোয়গীসু নুংশি-নুংওন্দা মপুং ওইবা ৱারী মরাং কায়না থন্বীরম্মী। ●

# হিয়াং তান্নবগী হি অমা

**- নবকুমার ওইনা -**



লাইগী ৱাসি ঙাঙনদবনা ফরবনি হায়নরবসু খ্বাইদগী ৱা য়াম্বসি লাইগী ৱারীনা ওইরিবা লমদম্লি। লাইগী ৱাদা লাইখায় তাদ্রবনিনা লৈঙাক্কী ৱাসু লাইখায় তারক্তে হায়বা তারক্লি। মীনা তৌনদ্রবা লৈঙাক্কা লাইগা লোয়ননা চৎপগুম তৌরি। লাইগী ৱা থাদোক্লবা ঙম্নদ্রিবসি লাইদুমক খঙদবগী ওইবসু য়ারিবনি। য়েৎনরবদি লাই খঙবগী নৎত্রে হায়রগনি। লাই লৈ হায়রিবা কাঙবুনসু লাই পুথোক্লকপা ঙম্বা নত্তে। উদবীদা লৈ-লৈ, লৈবনি হায়নবা মাল্লি।

লাইদা থৱায় য়াওবা মীদি য়াম্না লৈরে, লাই থাজবা মীসু য়াম্না লৈরে। লাইগী মিংদা ওইজবা লৌবা মীসু য়াম্না লৈরে। লাইগী ৱারীদা মতম মাঙবসু ময়াম লৈরে। লাই লৈতে হায়বা মীসু ময়াম লৈরে। ঙম্বা তান্নরিবনা করিগীনো? খঙবগী নত্তে। লাই লৈতে হায়রম্বসি য়াম্না কুইরবনি, তানদ্রিবা করিগীনো। লাই লৈ হায়না থাজবা মীনা য়াম্লম্বগীনি, হৌজিক্তি মান্নরক্লে। লাই লৈরবসু লৈত্রবসু মীওইবনা ঙসি ফাওবা লাইখায় তাবা ঙমদ্রবদি মীওইবগী খ্বাইদগী শোনবা ৱাখল্লোন্দু লৈরিবগীনি। লাই থাজবনি হায়বা মীওইশিংনা হায়রম্বা-ইরম্বা ঈশৈ-ৱারী লাইরিকশিং অসি লোইনমক চুম্লবনি হায়বা লৈবরা? চুমদে, চুমদবা য়াওই হায়বসি থাজবশিংনদি খঙলোই, খঙলবসু হায়দোক্লিংলোয়। লাই থাজবশিংদা পুক শেংদবা মী ময়াম য়াওবা য়াই। লাই অমদা খুরুম্বা মী খুদিংমক লাই থাজরবনি হায়বা য়াদে। লাই লৈতে হায়বসি লাই থাজবশিংদা য়েৎপা, শাওবদি নত্তে। অশেংবা অমা হায়বনি, মদুদা য়াদে হায়রবদি ওথোরিটি শারিবসি করিগীনো? মদুবু থাজরিবদু লাইদুনা য়ারম্বরা? অদুগা লাইনি হায়রিবা করিগীনো? মীওইবগী পঙবা শিংবসি মীদুনা লাইগী মরমদা ঙাঙবা ৱাদু তারগা খঙবা ঙম্লবনি। অপঙবা মীদু কৈদৌঙৈদা অশিংবা মী ওইবা হৌনদে, খঙবা হেনগৎপদি য়াই। খরা খঙলগা শিংবা য়াম্না হেনগৎকনি হায়বা লৈতে। লান্না থাজববু কমদৌনা শিংবা হেনগৎলবনি হায়গদৌরিবনো ? থাজবা খুদিং চুমগনি হায়নদে।

টোপিক খুদিংমক্তা খঙবা মান্নদ্রবদি য়েৎনবা য়াই, দিবেট তৌনবা তাবনি। খৎনগদৌবা নত্তে, হাৎনগদৌবা নত্তে, হাৎনবা য়াওরবদি লাল্লবনি। অখঙবা কাঙবুনা পঙবা-শিংবা, খঙবা ঙম্নরগনি। খঙবা মান্নদবদু লাইননি হায়গদৌরিব্রা, মী অমদা নৎত্রগা লাইদা তায়নবদু লাইনা য়াব্রা হায়বা ৱাফম লাক্লিবনি।

শেন্বীরম্বদু লাইননি হায়রবদি ইপা-ইপু ওইনা পোক্লম্বদু কমদৌনা লাইনি হায়বা য়াগদৌরিবনো? মখোয়বুসু লাইনি হায়বা অমনা শেল্লম্বা ওইগদৌরিবনি। ইপা-ইপুশিংদুনা নুমিৎ-থা শেল্লম্বদি নত্তে, হায়বদি মখোয়দি শেন্বীরম্বা লাইদুমক্তি নৎত্রে হায়বনি। শৈরেং ওইনা লাই ওইখ্রে হায়বদি লৈখিদ্রে হায়বনি। লৈখিদ্রবা ইপা ইপু নীংশিংবগী লাই হরাওরগা হেক্তা লাইনি হায়গদৌরিব্রা? নাৎ খুদিংমক লাইগী নত্তে, চীংদা ইপা-ইপু খুরুম্বা কাবসি নাৎ অমনি, তৌদবা য়াদবনি। লাই থাজবা কাঙবুনা লাইদু য়াওনা খুরুম্বনি, নীংশিংলিবনা ইপা-ইপুশিং অদুনি। ইতোৎ তোৎশিন্নবদা লাইখায় তানরক্তবনি হায়বা খঙমিন্নবা তারকই। ইপা ইপু নীংশিংবসি লাই হরাওবা হায়নবদগী (লাই ওইখ্রে হায়রবনিনা) হৈকৎ লৈকৎ তল্লিবনি। হরাওবা হায়রগা হরাওথোকপা নত্তে, লৈঙাক্লোন, খুন্নাইলোন ঔরায়বনি। লাই হরাওবসি পঙথবগী ট্রেনিং তাহল্লোয়দবনি। লাই তোৎশিন্নবা হায়বসি লাইখায় তাদবনি হায়গদৌরিবনি। য়েৎনরবদি মফমদুদা লাইনীং লৈত্রি হায়রিবনি। লাইনীংসি উপুদা লৈগদৌবা নত্তে, লৈমায়দা-লৈরক-খুল্লক্তা লৈগদৌবা নত্তে, মীওইবগী কোক্তা লৈগদৌবনি। মদুসু চুম্না খুরুম্বদু ওইরোইদৌরিবনি। ষ্টাইলদু লাইনীং নত্তে, নীবদু লাইনীং নত্তে। মীওই খরনা ইবা লাইগী ঈশৈদু শৈশকপা ময়াম্না হেক হেক শক্লরি। লৈবাক, ঈশিং, নুংশি পূম্নমক লাই ওইরবনি। লাল্লবদি মতম মাংজৈ, মতম হায়বসি পূন্সি মতেক মতেক্লি। লাই হরাওবগী মিংদা খুদোংচাবা লৌবা লৈরম্বা য়ারি। মীওই খরনা শেন্দান লন্বী ওইনা উরকপসু য়ারি। লাই খঙবা-খঙদবা হরাওবদি পাম্নবা হেনগৎলক্লি। লাইদু তোয়না হরাওরবনিনা লাই খঙবা শাবসু হেনগৎলক্লি। চেকশনগদৌবসি লাইগী মিংদা মীওইবগী মতম মাঙবা হেনগৎলকপসিনি। খুন্নাই অমা মুত্থরকপা য়ারিবনি। মশানা য়ানা মুৎচখিবা য়াওদবা নত্তে। লমদম খরদা থবক কনবনা লাই নীংশিংবা শংদে, থবক্লা লাইনি হায়রবনি। মরীল তনবদগী লাইদা নীরগা লৈবা য়াগদৌরিব্রা? লাইদু চুম্না নীংলবদি লৈবাক অমা ওইনা লৈরম্বদু করিগী মূৎখ্রিবনো? লাইনা করি হায়রিবগে, চুম্না লানবা খঙনরব্রা? জাৎ ওল্লকপা মানবা ৱাঙাঙদুনদি পেন্থোকপা ঙম্নরক্তবা য়ারি। লাই নমথনবা মানবা ৱাথোক থোক্লরক্লিবনি।

লাই খঙবগী ৱা নত্তবা পঙবগী ৱাথোক্তা লাইদু লৈবদৌনা খলহল্লি, শাওনহল্লি, খৎনহল্লি, হাৎনহল্লি। অদুগা লাই থাজবগীনি হায়রিবনি। লাইদু নমদুনা লৈহল্লকইবনি। ঐগী ঐগী ইপা-ইপু অমমম নীংশিংনরগা লাইনি হায়বসি পীকথমল্লি হায়গনি। মালেমগী মীয়ামসি ইপু অমখক্কী শুথাং নত্তে। লাই অমখক্তা পুনবা চুম্লোই। শেন্বীরকপা হায়শিল্লগা অমদা পুনবা চুম্লোই। শেন্বীরকপা হায়বা লৈতে, শেল্লন্নবনি হায়বা তাবনি, কনাগুম্বা খরগীদমক শেন্বীরম্বা নত্তে। মদুদা নাপল কারগা হরাওফমসু থোক্তে, চাওথোকফমসু থোক্তে, অখঙবসু শাওফম থোক্তে হায়গনি। শেল্লকপা অদুদা মীওইবসু য়াওজরকপনি, মীওইবগীদমক্তা খল্লগা শেন্বীরকপনি হায়বসু লৈতে, খনবসু লাল্লি। হিংমিন্নরিবা ময়াম্না য়াগদৌবা লৈতে। ইপুবোক্লা তাইবঙপানসি শেন্বীরম্বনি হায়বদি কনানা য়াগদৌরিবনো, তীল-কাংনা ফাওবা য়ারোই। মদু খনবদা-ঙাঙবদা মতমদু অদুম মাঙখ্রবনি।

ৱা হুরাল্লগা শঙ শাবা, আলু হুরাল্লগা কোবী হুরাল্লগা ঙৌরগা চাথোকপদু লাই নীংলবনি হায়বা য়াবা নত্তে। পেস্কারি কাপ্নরগা লান হৌরবনি হায়বসু য়াবা নত্তে। যুবী লাকপী শান্নবসি যুবী চানবা নত্তে, অঙম তান্নবনি। অঙম তান্নবদুসু লাই নীংবা নত্তে, করিসু ঙমদ্রে। খুমন, মঙাং, লুৱাং হায়বসি লাইনীং লিচৎনি; শিবা ফাওবা ফজহনবা হায়বনি। মী নত্তে, কাংলোননি, খরগী নত্তে, মালেমগীনি। লাইশঙ য়াম্লগা লাই লৈগনি হায়বা য়াদে, ঈশৈ ইবশিংনা লাই লৈহনবা ঙম্বা নত্তে। থৱায় য়াওরিবা থেবদা তপ্লা চৎলিবা থেঙ্গুনা খৎনরুদৌবা নত্তে। থেঙ্গু ফাওবা হিয়াং তান্নবা য়াওখৎলক্লবনি।

লাই হরাওবদা হিয়াং তান্নরি, পঙবা-শিংবগী হিয়াংদি কনা কনানা তোংলিবা? অপঙবনা লাই খুরুম্মী, অশিংবনা লাই লাৎলি, অখঙবনা লাই নীংবনি। নীংবা খুদিং লাইনি হায়বসু লৈতে, ৱাশকপা হায়বসি লাই পন্দ্রবসু য়াই। ৱাশকপা ঙল্লিবসি লাইগুম্না নীংবা অমনি। ঙল্লিবসি অহিংবা অমা ওইগদৌবনি। অহিংবগা অশিবগা হিয়াংদবু কনানা থোইগদগে? ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## যূম মাংবা

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

মীতৈ নাৎকী চৎনবীদা যূম মাংবগী চৎনবী মখল অনী লৈ। অঙাং পোকপগী অমদি মী শিবগী। চৎনবী অসিনা লাই-তীলগা মরী লৈনবা থৌরম পাঙথোকপদা অপনবা কয়া ওইহল্লি। নৌহৌনা পল্লুদ্রগসু পূম্নমক্লা হেন্না খঙনরবনি। অঙাং পোকপদা মপা-মমা, ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা হরাওনবা ঙাক্তনি। মসিদা শাগৈ য়াওনা যূম মাংবগী চৎনবী শেল্লল্লিবসি তুংগী মীরোলগী খন্দবা, মীৎয়েং শান্দবা মীওইনা শেল্লম্বা চৎনবীনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোইদ্রা খল্লি। মী শিবগীদি অৱাবা ফোঙদোকপনি, মাগী ইমুং-মনুং, নক্লবা শাগৈ-নাতৈনা লৈখিদ্রবা মীদুগী কুমওন ফিরোই লান্থোক্ত্রি ফাওবা থৌরম পাঙথোক্লদে। ৱাহন্থোক লৈবা চৎনবীনি হায়না লৌবা য়াই। খন্ন-নৈনবা য়াবা অমনা শাগৈ অচৌবদা অঙাং মথং-মথং পোকশিল্লক্তুনা যূম মাংবা অহুম লোনশিন্নবা য়াওই। শোরাৎ শোনগদবা ইমুং অমা নুমিৎ হুম্নি ৱাৎলিঙৈদা যূম মাংশিল্লক্তুনা মতম শাংনা য়ৈথোকপা তারবদা থৌবুদু নীংবা কায়রম্মী। থৌবু অহলদুনা বামোন পুরোহিৎকা ৱা তানবদা যূম্মাংবা অহুম লোনশিন্নরবদি যূম্মাংবগী দোষ কোকই। থৌরম পাঙথোকপা য়াগনি তাকপীরকখি।

থমজনীংলিবা ৱাফমদি নাৎকী চৎনবী খুদিংমক মীনা শেল্লকখিবা ঙাক্তনি, মতমগা চানদ্রবা চৎনবী শেমদোকপা য়াফম থোকই। চাওখৎপদা পাম্বা মীওইবনি। মতমগা চাননা অওনবা অহোংবা পুরকপা ঙম্বনা চাওখৎলিবনি নৎত্রবদি হান্নগী ফীভমদা লৈবা তাবনি।

**অদোমগী - তোলচৌ শমজেৎশাবম, থোংজাও**

## উমং কন্নবা হোৎনবদা মীতৈ ১সুং উমং লাইগী থৌদাং

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

লৈশেমঙৈদগী হৌনা শা-ঙা, তীল-কাংশিং অমসুং মীওইবা হায়বা অসি ঙসি ফাওবা মালেমসিদা হিংদুনা লৈরক্লিবা অসি অতৈ করিনসু নত্তে, মতম পূম্নমক্তা মহৌশা-লাইরেন্বী অমগী শক্তম লৌদুনা লাক্লিবা উমং-ৱামং হায়বসিগী মতেংদগীনি। হায়রিবা ৱাফম অসি ঙসিদি মালেমগী মীয়ামগী ওইবা হায়বদি য়ুনিভর্সেল ক্রঠ হায়বদু ওইদুনা লাক্লবা ৱাফম অমনি। মরু ওইনা মীওইবা অমসুং শা-ঙা কয়ানা তঙাইফদনা হিংবদা চঙলিবা পোৎলমশিং অসি ঈশিং অমদি ওক্সিজেন অনী অসিবুনি। মথংদি চান-থক্লবা মনা-মশিং অমসুং উহৈ-ৱাহৈশিংনি।

মরম অদুনা অসিগুম্বা হিংবদা চঙদবা য়াদবা পোৎলমশিং অসি ঙসি মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবা ঐখোয় খুদিংমক্লা মতম পূম্নমক্তা পূন্সি নুংশাংনা, হকচাং-ফনা হিংদুনা লৈননবগীদমক থিন্থবা তৌদনা অমসুং অখাকপা লৈতনা, অফবা ঈশিং, অফবা নুংশিৎ অমদি অফবা চীঙ্গাক পুথোকপা ঙম্নবগীদমক তঙাইফদনা উমং-ৱামংশিংবু য়োকখৎমিন্নবগী মথৌ তারে। করিগুম্বা উমং ৱামংশিং অসি ঙসিগী মালেমসিদগী খঙহৌদনা লৈশিল্লক্তবা থোক্লবদি, মহৌশাগী ওইবা অঈং-অশাগী খল কয়ামুক কায়হল্লক্তুনা, মরু ওইনা মীওইবা হায়বা কাঙলূপ খুদিংমক অমদি শা-ঙা পূম্নমক মালেমসিদগী নোংমদি শোয়দনা খঙহৌদনা মূৎখিবা অমসুং মাঙখিবা য়ানা লৈ।

তৌইগুম্বসুং মথক্তা হায়রিবা ৱাফম পূম্নমক অসি ওইদুনসু ঐখোয়গী লমদমসিগী ওইনদি, হায়বদি মণিপুরগী তম্পাক্কী শরুক্তা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীতৈশিংগী ইপা-ইপুশিংনা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা মীওইবগী থৱায়গী মশক ওইরিবা উমং-ৱামংশিংগী মতিক-মগুণ চপ চানা খঙদুনা মতম খুদিংমক্তা লাকখি, লোয়ননা উমং-ৱামংশিংবু লাই ওইনা খন্দুনা লাকখি। মদুগী খুদম খরা হায়রগদি হৌজিক তম্পাক্কী মফম কয়াদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীতৈগী খুল কয়ামুক্কী মফমশিংদা উমং-ৱামংশিংবু য়োকখৎনবা অমসুং ঙাক শেন্নবগী ৱাখল্লোন্দা যূম্ফম ওইদুনা উমং-লাইগী খুভম য়াদুনা অমসুং লাত্তুনা থম্বগী চৎনবী অমা লৈরক্লিবা অসিনা লোঙদ্রবা অমসুং চেনবা য়াদ্রবা খুদমশিংনি। হৌখ্রবা মাংলমচৎকী ইপা-ইপুশিংনা মতম মতমগী তারক্লিবা নোংগী ঈশিং অসি উ-ৱাশিংনা মখোঙগী মরাগী খূথাংদা অমুক অরুবা, অফবা থক্লবা ঈশিং ঐখোয় মীওইবদা পীদুনা লাকই হায়বসি চপ চানা খঙদুনসু লাকখি। লোয়ননা ঐখোয়গী ইরক্তা হৌরিবা উপাল-ৱাপালশিংনা ঐখোয় মীওইবগী নুংশা-শ্বর হোনবদা চঙলিবা অশেংবা নুংশিৎ হায়বদি ওক্সিজেন মরাং কায়না পীবা ঙম্মী হায়বসিসু ইপা-ইপুশিংনা মাঙজৌননা খঙদুনা লাকখি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

অদুবু খ্বাইদগী লাইবক থীবদি মথক্তা হায়খিবা ৱাফম পূম্নমক অসিগী ওন্ন-তৈনবদা মণিপুরগী চীংগী শরুক অয়াম্বদা খুন্দারিবা মীওইশিংনা মীওইবা ঐখোয়গী থৱায় ওইরিবা মহৌশা-লাইরেন্বীগী শক্তম লৌরিবা মমল য়াম্লবা উমং-ৱামংশিংবু নোংম-নোংমগী লেপ্লা লৈতনা কোকথোরকপা অমসুং মাঙহনবা হেনগৎলক্লিবা অসিনি। অসুম্না উপাল-ৱাপাল কোকথোরকপা কয়া অসিনা মরম ওইরগা ঙসি-ঙসিমক চীংগী অয়াম্বা মফমশিংদা থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংদবগী চাং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। লোয়ননা লমদমসিগী চীং-তম অনীগী মফম কয়ামুক্তসু অঈং-অশাগী চাংসু নোংম-নোংমগী কায়থহন্দুনা লাক্লি। অদুদসু নত্তনা চীংগী মফম কয়ামুক্তা খঙহৌদনা ঈচাও থোক্তুনা মীওই কয়া অৱাবা তাহন্দুনা লাক্লি। নোং খরা কন্না হেক তাবদা চীং নীংখাইরক্তুনা মী লৈনরিবা যূম কয়ামুক চীং লৈবাক্লা ফুমজিন্দুনা মমল য়াম্লবা থৱায় কয়ামুক মাঙহন্দুনা লাক্লি।

মরম অদুনা অসিগুম্বা তমথীরবা থৌদোক কয়া অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা মরু ওইনা চীংগী লমদা লৈবা মীওইশিংনা, মপূং ওইনা মীওইবনা হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা উপাল-ৱাপালশিংদা অয়াম্বা মতমদা তাইনবগী থৌওংশিং চখ্থরিবা অদু খুদক্তগী তোক্তুনা অমসুং পাক-চাউরবা চীংগী মফমশিংদা চান-থক্লবা মনা-মশিং, হৈ-রা মরাং কায়না থাদুনা শেন্থোক লন্বী হেনগৎহন্নবা হোৎনবগী মথৌ তারে। তুংগী মীরোলশিংগীদমক খন্দুনা উমং-ৱামংগী অমাঙ-অতোংগী মরমদা চীংতম অনীগী মীওই পূম্নমক পূন্না খঙমিন্নবা মতম ওইরে।

মথক্তা হায়খ্রিবা ৱাফম পূম্নমক অসিনা মরম ওইরগা মপূং ওইনা হীরম অসিগা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙগী মীওইশিংনা অচেৎপা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা লমদমসিদগী মমল য়াম্লবা মীওইবগী থৱায়গী শক্তম লৌরিবা উমং-ৱামংশিংবু আইনগী ৱাংমদা হুরান-লোন্নাগী উগী করবা তৌরিবা মীওইশিংদগী কলহৌনবগীদমক অমসুং মশাগী অমসুং ঙাইহাক্কী ওইবা ৱাখল্লোন্না মাঙ থারগা উ-ৱাশিংবু মনুং মতম চাদনা অরেম্বদা মাঙহল্লিবা মীওইশিংগী মখূত্তগী কলহৌনবগীদমক তঙাইফদনা ফোরেষ্ট প্রোটেক্সন ফোর্স বটালিয়নশিং লিংখৎপগী মতম ওইরে। লোয়ননা লমদমসিগী মীয়াম পূম্বনা ঐখোয়গী উমংশিংবু পূন্না মতম পূম্নমক্তা কনমিন্ননবগী হক লৈ হায়বসি কাউমিন্নদবা মতম ওইরে। অদুগা অমরোমদা ঐখোয় পূন্না খঙমিন্নদবা য়াদ্রবা ৱাফম অমখক্তি, ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা উমং-ৱামংগী শরুকশি ৎঅসি থৱায় পানবা কনাগুম্বা শা-ঙা অমত্তনা ঙসি ফাওবা মাঙহন-তাকহনবগী থবক তৌরকখিদে হায়বসিনি। অমরোমদা মীওইবা ঐখোয় খক্তনা মালেমসিগী মমল য়াম্লবা থৱায়গী মশক ওইরবা উ-ৱাশিংবু মফম মতম খুদিংমক্তা মাঙহন্দুনা লাক্লি হায়বসি কাউরোইদবনি।

**অদোমগী - এম ইন্দ্রমনি মীতৈ, উরিপোক**

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১২গী ৱাহং**

১) "লীলা ইবা হায়বসি য়াম্না মরিং মরাংবা থবক অমনি। সাহিত্যকারশিংগী মরক্তা খোঙ থাংজিনগদবসু থিয়েটরগী হৌনবীশিংনা ফিজি য়ান্দুনা লৈ।" ৱাহৈ পরেংশিং অসি শোর্ট প্লে খরগী খোমজিনবা লাইরিক অমদা অইবগী ৱাহৌদোক্তা ফোঙদোকপনি। ৱাহৈ পরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবগী মমিং হায়য়ু।

২) "মাদর তেরেসা" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটরগী মমিং করি কৌবগে?

৩) "শীঙেল নাচোম" হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৪) "শামু মচা" হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) "ৱাংমা ৱাংমগী থম্মোয় অনী" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, যূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।